ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 1, Issue 032 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | ইম্ফাল জুলাই ৯, ২০২৫ ইং, ইঙেনগী ১৪নি পানবা, য়ুমশকৈশ | মমল লুপা ২/–


## মীওই ৩ পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল জুলাই ৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ মণিপুরদা ঙসি মীওই ৩ কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে। মখোয় ৩ থারগা ষ্টেট অসিদা হন্দক্কী ওইনা অপুনবা কোভিদকী কেস ৩০৭ য়ৌখ্রে। মীওই ৬ দিসচার্জ তৌখ্রবা তুংদা এক্টিভ কেস ৩৮ লৈহৌরি।

আই দি এস পিদগী ফঙবা পাউনা হায়, ঙসি পোজিটিভ ওইরক্লিবা মীওই ৩ অদু ২না ইম্ফাল ৱেষ্টতগীনি। অদুগা অতোপ্পা ১না ইম্ফাল ইষ্টতগীনি। নৌনা পোজিটিভ ওইরকখিবা মীওই ৩ অসি থারগা ষ্টেট অসিদা হন্দক্কী কোভিদকী ৱেভ অসিদা পুন্না পোজিটিভ ওইবগী মশিং ৩০৭ য়ৌখ্রে।

## এৱার্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না নিষাগী মায়োক্তা চত্থরকপা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা অমসুং খুন্নাইদা নিষানা পীবা চৈথেংবু মীয়াম পুন্না ৱাখল খল্লমিন্নবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুরগী থিনুংগৈ অৱাং লৈকাইদা লৈবা ইম্পেটস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

### তশ! কমদৌই

য়ু থকপা তোক্লগনি,
ঈশিংনা মহুৎ শিল্লগনি...!

ꯌꯨ ꯊꯛꯄ ꯇꯣꯛꯂꯒꯅꯤ,
ꯏꯁꯤꯡꯅ ꯃꯍꯨꯠ ꯁꯤꯟꯂꯒꯅꯤ...!



### হয়েংগী নোংদম

১০/০৭/২০২৫

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

- মেষ – পন্দুনা লৈরকপা থবকশিং পাঙবা য়াই, দাও য়াগনি।
- বৃষ – ৱাখল লৌশিং চাওখৎপা, অঙম অথৌশিংনা নুংশিবিবা নুমিৎনি।
- মিথুন– য়েক্লবা মশিং হেনগৎপা, অৱাবা তাবা য়াবা লৈ।
- কর্কট– শেল ফঙবা, মীথোই মীহেনবা ফঙজৌ হায়বা লৈ।
- সিংহ– হকচাং চিফেৎ চিফেৎ নুঙঙইতবা ৱাখল থোক্তবা নুমিৎনি।
- কন্যা– ইংনা খল্লরগা থবক তৌরবদি মায় পাকউ হায়বা লৈ।
- তুলা– ইমুং–মনুং চক্রি থাংনবা,য়েক্লবা মশিং য়ামখৎলকপা পী।
- বৃশ্চিক–শেল চৎপগা লাকপগা চৎপনা হেনগনি, চেকশিন্না চাদিং তৌবিয়ু।
- ধনু – খঙহৌদনা খুদোংথিবা থোকপা য়াবা দশা লৈ, চেকশিনবিয়ু।
- মকর – থবক মচা–মশু পাঙবদা মায় পাকপগী ফল পীরি।
- কুম্ভ –ওইজ ওইথক ফঙউ হায়বা লৈ, মরুপকী মতেং ফঙগনি।
- মীন – শেল–থুম মাঙবা, লন–থুম চৎলু হায়বা লৈবনা চেকশিনবিয়ু।

# কুকি ইনপিনা এম এল এশিংদা দিক্টেট তৌবসি ইল্লিগেলনি, চৈরাক পীবা য়াই ঃ থাদৌ ইনপি

## কুকি ইনপিগী মখাদা লৈগদৌরিবসি এনি কুকি ত্রাইবকী এম এল এ ৩ খক্তনি



ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ কুকি ইনপি মণিপুরগী মায়কৈদগী নুমিৎ খরনিগী মমাংদা চেরোল অমা থোক্তুনা ষ্টেট অসিগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লকপা মতমদা কুকি–জোগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা এম এল এ ১০ অসি করিগুম্বা মখল অমত্তদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না খঙহনখিবা অসি ইল্লিগেলনি হায়না থাদৌ ইনপি মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

থাদৌ ইনপিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুকি ইনপিগী মথক্তা ক্রিমিনেল ইন্টিমিদেসন, ক্রিমিনেল কোন্সপিরেসি অমসুং সেদিসন্নচিংবশিংগী মখাদা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা এম এল এ ওইনা লৈরিবশিংদা কিহনবা অমসুং মীপায়বা ফাওহনবগীদমক চপ চাবা এক্সন লৌখৎতুনা চৈরাক পীবা য়াই। কুকি ইনপি মণিপুরগী মায়কৈদগী থাদৌ, মার, পাইতে, ভাইফে, জৌ নত্রগা জো ফুরুপকী মখল খুদিংমক্কী ত্রাইব অমা হেক্তবু মখোয়গী মখাদা থম্বা নত্রগা লুচিংবশিংদা নমদুনা মখোয়গী ৱাফমশিং ইলহন্নবগী থৌওং চত্থফম থোক্তবা অমনি।

কুকি ইনপি মণিপুর অসি কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টতসু মপুং ফানা মীয়াম্না য়াবা ওইদে। মসিগীসু মথক্তা জোমিগী লৈরিবা এম এল এশিং হায়বদি ভুজাগিন ভালতে অমসুং এল এম খৌতে, জৌগী এম এল এ চিনলুংথান অমসুং মারগী এম এল এ ঙুরসাংলুর সনাতেসু মখোয়না হুমদুনা পুবা ঙম্লোই। মরম অদুনা মখোয়গী মখাদা চৎকদৌরিবা এম এল এশিং অসি কিমনিও হাওকিপ হংসিং, পাওলেনলাল হাওকিপ অমসুং লেটজমাং হাওকিপ খক্তনি। হায়রিবা এম এল এ ৩ অসিমক এনি কুকি ত্রাইব হায়বসিগী মখাদা লৈবা ঙাক্তনি।

কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্তকী ওইনসু এম এল এ নেমচা কিপগেন অমসুং হাওখোলেট কিপগেন অসি কুকি ইনপি মণিপুরগী মখাদা মখোয়গী অনিংবশিং অদু তৌহনবা ওইথোক্লোই। কনাগুম্বা এম এল এশিংনা এনি কুকি ত্রাইবকী সার্টিফিকেট লৌদুনা হায়রিবা কাঙলুপ অসিগী মখাদা লৈহন্নবা হোৎনজবা অদুদি মশাগী অপাম্বনি। অদুবু থাদৌগী এস টি সার্টিফিকেট পায়রিবা এম এল এশিংনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লবা হোৎনরকপদা কনাগুম্বা অমত্তনা অয়েৎপা পীবা অমসুং অথিংবা পীবগী হক অমা ফাওবা লৈতে। মরমদি মখোয় কুকি নত্তে, থাদৌগী মখাদা লৈবনি।

ইন্দিয়াগী লৈরিবা সোভরেন্টি, অপুনবা নত্রগা দিমোক্রেটিক্কী প্রোসেস অসিদা অয়েৎ অপন পীরক্লিবা খুদিংমক অসি লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাকশিং পীনবা থবক পায়খৎফম থোকই। থাদৌ হায়বা ফুরুপ অসিদি (মখা লমায় ২দা)

# এস দি জি ইন্দেক্সতা এন ইগী মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্ট খনগৎপদা মণিপুরগী য়াওদ্রে

## দিষ্ট্রিক্ট ১৩১গী মনুংদা ফেরজোলনা ১১৮ শুবদা লৈরে




ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ নিতি অয়োগনা সষ্টেনেবল দিভলমেন্ট গোল (এস দি জি) ইন্দেক্সকী রিপোর্ট ফোঙলকপদা অৱাং নোংপোক লমদমগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা দিষ্ট্রিক্ট ১০ খনগৎপদা মণিপুরদগী অমত্তা য়াওবা ঙমদ্রে।

খ্বাইদগী মকোক থোংবা অৱাং নোংপোক লমদমগী দিষ্ট্রিক্ট ১০ অদুদি মথংশিংনা, মিজোরামগী নাথিয়াল, ষ্টেট অসিগী চম্ফাই, ত্রিপুরাগী গোমতি, নাগালেন্দগী মকোকচুং, ত্রিপুরাগী ৱেষ্ট ত্রিপুরা, নাগালেন্দগী কোহিমা, ত্রিপুরাগী সাউথ ত্রিপুরা, সিক্কিমগী গেংতোক, মিজোরামগী কোলাসিপ অমসুং নাগালেন্দগী দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টনি।

মিজোরামগী নাথিয়ালনা পুন্না ফংখিবা স্কোর ৮১.৪৩, ষ্টেট অসিগী চম্ফাইনা ৭৯.৮৬, ত্রিপুরাগী গোমতিনা ৭৮.৭৯, নাগালেন্দগী মকোকচুংনা ৭৮.৪৩, ত্রিপুরাগী ৱেষ্ট ত্রিপুরানা ৭৭.৬৪, নাগালেন্দগী কোহিমানা ৭৬.৯৩, ত্রিপুরাগী সাউথ ত্রিপুরানা ৭৬.৭১, সিক্কিমগী গেংতোকনা ৭৬.৬৪, মিজোরামগী কোলাসিপনা ৭৬.৫০ অমসুং নাগালেন্দগী দিমাপুরনা ৭৬.২৯নি।

ইন্দেক্স অসিদা খ্বাইদগী মমৈ ইথং থংনা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট ১০ অদুদি অরুনাচল প্রদেশকী পাকে কেসাং, অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো, মেঘলয়াগী ইষ্ট জেন্তিয়া হিল্স, মণিপুরগী তমেংলোং, আরুনাচল প্রদেশকী তিরাপ, ষ্টেট অসিগী সিয়াং, অসামগী সাউথ সলমারা–মঙ্কচার, মণিপুরগী ফেরজোল, আরুনাকল প্রদেশকী কাম্লে অমদি ষ্টেট অসিমক্কী লোংদিংনি।

পোভরতি, হঙ্গর, এদুকেসনগী ক্বালিটি, জেন্দর ইক্বেলিতি, থক্লবগী অফবা ঈশিং ফঙবা, সেনিটেসন, ইন্দষ্ট্রি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইকোনোমিক গ্রোথনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরম ৮৪দা য়ুম্ফম ওইরগা নিতি অয়োগনা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলগী ইন্দেক্স অসি শেম্লকপনি। তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা পায়খৎপা থৌরাংশিং য়েংলগা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী মকোক মথং শেম্বদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্ট ১০ খনগৎপদা মণিপুরদগী অমত্তা য়াওবা ঙম্লকখিদবনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা মিজোরাম, সিক্কিম অমদি ত্রিপুরানা মকোক ইথং থংনা লৈরি।

# পুলিস ওফিসার অমদা খুৎ থারুবগী মরাল শীরদুনা এ টিগী তেঙ্গোলোই ৬ পুলিসনা ফারে



ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ মণিপুর পুলিসকী ওফিসার ১ য়াওনা পার্সোনেল খরদা খুৎ থারুবগী মরালদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তোঙ্গোলোই ৬ ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি গোবিন্দগ্রম অৱাং লৈকাইদগী লাইশ্রম সনাহল এলাইজ সনা (২৬), লাইশ্রম রিশিকান্তা (২০), লাইশ্রম প্রেমচান্দ এলাইজ কন্দ্রং (১৮), বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেরা খোংশানবি ৱার্দ নম্বর ২দগী কাঙবম নোংদম্বা (২৩), কাংমোং মাইস্নাম লৈকাইদগী সরাংথেম রবিচন্দ্র এলাইজ রবি (২৮) অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৌরেম্বম মনিং লৈকাইদগী য়ুম্নাম জসৱান্ট (২২)নি।

এ টিগী তেঙ্গোলোইশিংনা হৌখিবা জুনগী ৯দা চত্থখিবা বন্দদা মণিপুর পুলিসকী ওফিসার ১ য়াওনা পার্সোনেল খরদা খুৎ থাখি হায়বগী মরালদা মখোয়গী মথক্তা কেস লৌখৎখিবনি। হীরমসিগী মতাংদা ৱাহং–পাউহং চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

# লৌমীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) লিংখৎখিবগী চহী ২৫ শুরকপগী চহী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ মমাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখি। মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা লৌমী কয়ানা শরুক য়াবদা নত্তনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগী অখঙ–অহৈ কয়াসু লাক্তুনা লৌমীশিংদা তাকপি তম্বিবগী থবক চত্থখি। থৌরম অদুদা য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে খিরেন, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার থৌবাল থোঙাম জয়প্রকাশ য়াওনা রিসোর্স পার্সন কয়ানা ৱা ঙাংখি।

# রোবিনসন য়াওনা পাউমী ৮দা স্পিসিয়েল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীখ্রে



ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ ঈ–পাউ তেংবাং লুপকী ৮শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা পাউগী চেন্নেলশিংদা থবক তৌরিবা পাউমী ৮দা ঈ–পাউ স্পিসিয়েল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

চীংঙারেল তেজপুরদা পাঙথোকখিবা মপোক কুমওনগী থৌরম অদুদা মনাশিং অদু খুন্দ্রাকপম এ সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা লাম্বোকখি।

মনা ফঙখ্রবা পাউমীশিং (মখা লমায় ২দা)

### মপাল্লমগী পাউ

# টেক্সাসকী ঈচাওদা মীওই ৩ শিখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ খা থংবা ন্যু মেক্সিকোগী খুঙ্গং অমদা অকনবা নোং চুরকপদগী খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা মীওই ৩ লৈখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

য়ুম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈখিবদগী ইমর্জেন্সি ক্রু টিম কয়ামরুম থাজিন্দুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না ন্যু মেক্সিকোগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোমলেন্দ সেক্যুরিটি ইমর্জেন্সি মেনেজিংগী দানিয়েল সিলভানা ফোঙদোকখি। ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা নেসনেল গার্দ রেসক্যু টিম অমদি লোকেল টিম কয়ামরুম চঙশিন্দুনা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎতুনা লাকখি।

টেক্সাসতা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদগী মীওই ১০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৬০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ন্যু মেক্সিকোগী খুঙ্গং অমদসু খঙহৌদনা ঈচাও থোরকখিবনি। রাইও রুইদোসো রোজ তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপা মরম্না ন্যু মেক্সিকোগী ওফিসিয়েলশিংনা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোক্লবা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# পি এম মোদিদা ব্রাজিলগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ পীখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ব্রাজিলগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ দি গ্রান্দ কোল্লর ওফ দি নেসনেল ওর্দর ওফ দি সাউদর্ন ক্রোস পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। এৱার্দ অদু ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট লুইস ইনাসিও লুলা দি সিলভানা পি এম মোদিদা খুৎশিন্নখি।

ইন্দিয়া অমদি ব্রাজিলগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা এৱার্দ অসি খুৎশিন্নখিবনি। সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, ব্রাজিল অমসুং ইন্দিয়াগী মরী হান্নদগী হৌনা চেৎশিল্লক্লে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। ব্রাজিলগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা নেসনেল এৱার্দ খুৎশিন্নরকপা হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১৪০গী চাওথোকচনিংঙাইনি।

ইন্দিয়া অমদি ব্রাজিলগী মরী চেৎশিলহন্নবা হোৎনবদা প্রসিদেন্ট লুলানা লৌখিবা থৌদাং অদুবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৪গী মে থাদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়রক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মোদিদা এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকপা হন্দক্না ২৬ শুবনি।

# স্কুলশিংদা চিংসুবম অকাবগী ফোতো য়েম্বোকখ্রে

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা (ৱামা) কংলৈপাককা ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা চিংসুবম অকাবগী ফোতোশিং থেৎনবা য়েম্বোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সেন্ট জোন ইংলিশ স্কুল নম্বোল, স্পিসিয়েল রিগুলর ইংলিশ স্কুল নম্বোলনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অজাদ ইংলিশ স্কুল মৈত্রম অমসুং ইমপ্রিন্ট সাইন্স একাদমি, চঙাংগৈদা ৱামাগী লুচিংবশিংনা অকাবগী ফোতোশিং খুদোল তমদুনা স্কুলশিং অসিদা থেৎহনখি। মখা তানসু তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংদা চিংসুবম অকাবগী ফোতোশিং য়েম্বোকখিগনি হায়খি।

# মহৈরোই নুপীশিং এম য়ু ওঝাশিংগী মচাশিং ওইরম্লগদি করি তৌরমগনি ঃ এস এস য়ু এম

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ জুলাই ৪দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বেচেলর ওফ এদুকেসন (বিএদ)কী অনিশুবা সেমিষ্টরগী একজামনিসেন্দা ফ্লাইং স্কৱাদ ওইনা লাকপা ওঝা নুপা অনিনা মহৈরোই নুপীগী ফুরিৎখাউদা হুমদুনা চেক তৌই হায়বগী ৱাথোক অমা থোরক্লিবসি করিগুম্বা মহৈরোইশিং অদু ওঝাশিংগী মচা ওইরম্লবদি করি তৌরমগনি হায়না সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এস য়াইমা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফ্লাইং স্কৱাদ ওইনা লাকপা ওঝা নুপী অমা য়াওনা ওঝা ৩গী মনুংদা ওঝা নুপা ২না মহৈরোই নুপীদা করিমত্তা খন্থবা তৌদনা ফুরিৎখাউদা হুমদুনা চেক তৌই হায়বদগী য়ুনিভর্সিটি মনুংদা চরাংনবা থোক্লিবসি লায়বক থিবনি অমসুং মহৈরোই খুন্নাইবু ইকায়বা পীবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মহৈরোই নুপীশিংনা মীয়াম মাংদা ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। মহৈরোইশিংনা ফোঙদোরক্লিবসি কা হেনবা ওঝাগী ইথিক্স য়াওদবা থৌওং অদুনা থোকহনবনি। মহৈরোইশিং অসি য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংগী ওঝাশিংগী মচাশিং ওইরম্লগদি করি হায়না খনগদগে। মৈতৈ খুন্নাইনা নুপী ওইবীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লিবা মরম্না ৱাথোক অসিগী ইনক্কারি চত্থরি হায়দুনা নমশিন্দুনা থম্নবা হোৎনরিবসি লায়বক থিবনি।

# নোং লেপ্তনা চুবদগী তুরেল অয়াম্বা ৱার্নিং লেভেলগী মথক্তা চেল্লে

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ হৌখিবা অহিংদগী মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লেপ্তনা চুরকপনা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিবু ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অয়াম্বা ৱার্নিং লেভেলগী মথক্তা চেল্লে।

ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় নুংথিল পুং ২ ফাওবদা লেপ্তনা হেনগৎলকপনা ঈচাও থোকপা য়াবা থাক য়ৌশিল্লক্লে। ইরিল তুরেলগী ঈশিং ঈমায়সু ৱাংখৎলক্লি। অদুমকপু নম্বুল তুরেল, থৌবাল অমসুং মণিপুর রিভরনচিংবদি ৱার্নিং লেভেলগী মখাদা চেল্লি। নোংজুগী চাং অসি নোংমা নিনি অসিদা অহোংবা লৈরোইদবা মরম্না মণিপুরদা অমুক নৌনা ঈশিং ঈচাও থোক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা লৈরি। ইম্ফালগী অকুৎপা লম্বীশিংদা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী মায়কৈদদি য়ুম ফাওবা ঈশিং চঙবগী পাউ লাকই। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা মফম কয়াদসু লৈরক কোন্সাংশিং ঈশিং থুমজিল্লগা লৈরি।

মরক অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মোরেনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা অহিংদগী চুরকখিবা নোং অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে–১০২ ইম্ফাল–মোরে লম্বীগী মফম কয়াদা চীং নিংখাইরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরক্লি।

# ফৌ শুবগী কলচর মাঙশিল্লক্লে, ফৌসু ঈশৈদি হিংলগা লৈহৌরে



হিয়াইলৈমা নিংঙোম্বম

ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ মালেমগী ওইনা চঙশিল্লক্লিবা অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজিশিংনা লোইহজিং লোয়া, চীংয়া–তময়া হায়বা থিদনা য়ৌশিল্লকপদগী মতম অমদা মণিপুরদা চৎনরম্বা ফৌ শুবগী কলচর অদু তপ্না তপ্না শিথরক্লে।

য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী ফৌ শুবদা শক্লরম্বা ফৌসু ঈশৈশিং অদুদি ফোল্ককী কলচরদা তিন্দুনা হিংলগা লৌহৌরে। ফৌ শুবা হায়বসি মতম অমদদি তৌদবা য়াদবা নুপী অমসুং নুপাশিংগী থৌদাং ওইরম্ম। নুমিৎ খুদিংগী শুরিবা ফৌ অদুনা ইমুংগী মীওইশিংদু চারা অনি চাগদৌরিবনি, ফৌ শুবা হায়বসি হকচাং শাজেল ওইবতা নত্তনা মতম অদুদা য়ুম পানবদা চঙবা মচাক ময়াম অমা ফঙবা ঙম্লম্মী, চেং খক্তা ফঙবা নত্তনা য়ুমদা লোইরিবা শা–ষনগী মচীঞ্জাক হায়বদি চেংকুপ, চাক থোংবদা শীজিন্নরিবশিংবু মৈচাক লৈহল্লিবা ৱাইসু নুমিৎ খুদিংগী পীরিবনি।

মশা ৱাই শঙদবী নুপীশিংনা অঙাং উন্নবদা ৱাদনবা ফৌসুবা হায়বসি অচৌবা শাজেল অমা ওইরম্ম। অদুবু হৌজিক্তি অদুগুম্বা কলচর অদু মাঙখ্রে, লুপা ৪০ / ৫০ পুথোক্লগা মিলদা তক্লগা মতম ইচং চংদনা চেং ফঙবা ঙম্লে। অদুবু ফৌসুবদা ৱাদনবা অমসুং তাম্থা নাইনা ফৌসুনবা শক্লম্বা খুনুং ঈশৈগী মশক ওইবা ফৌসু ঈশৈ অদুদি মফম অমত্তদা তাখিদ্রে।

ফৌসু ঈশৈগী মতাংদা ফোল্ক শৈশক্কী ওঝা ওইনা মীয়াম্না শকখঙ মাইখঙনরবী লৌরেম্বম বেদবতিনা পাউচে অসিদা হায়, ঐখোয়না ঙসি ফোল্কতা শৈথারিবা ঈশৈশিংগী মনুংদা ফৌসু ঈশৈ অসিসু অদুম শাগোন্নরগা লাকই। খুদম ওইনা, হয়ুম য়ানবা হৈ, থৌদাং পু হৈ, শিংবু চল্লু হৈ, হায়রগা হৈ, হো ফৌবু পুরকপা হৈ, হো য়ানবা হৈ... হায়রিবা ঈশৈ অসি ফৌসু ঈশৈনি। অদুগা হৈ হায়না হায়রিবসি শুক্না ফৌদা শুবগী তান অদু লৌরগা শুরিবনি।

শক্নাইরবা ওঝা অসিনা ফৌ শুবদা শীজিন্নরম্বা অদুগা হৌজিক্না অহিংবা আর্ট ফোর্ম ওইনা ফোল্কতা শীজিন্নরিবা ঈশৈ অমা অমুক শক্লকখি। মহাক্না শক্লকখিবা ফৌসু ঈশৈ অদুদি, হো ইমা হৈ, ইমা ও হৈ, ঐসু লাক্লে হৈ, ইমা ও হৈ, মসিদসু নত্তনা থা থা থাবুংতোন, নচা মোরানবী পোবিগে হায়বসিসু ফৌসু ঈশৈসু ওই। অদুগা কায়নথংদা নাওশুম ঈশৈ ওইনা শক্লরকপা থেংনৈ।

ফৌসু ঈশৈশিং অসি ফৌ শুবদা ৱাদনবা অমসুং নিংশা হোনবগী শাজেল অমা ওইনা অহল লমনশিংনা শীজিন্নরম্বনি। অসুম্না ঐখোয়গী ফোল্ককী ফজরবা মচৎ অসি পথাং–পুথাং নাইনা শমদরকপনা অহিংবা খুনুং ঈশৈগী মরক্তা তিল্লকখি। ঙসিদি খুনুং ঈশৈগী ইহৌ অসি কনখৎলক্লে। অৱাবা মতমদসু, নুংঙাইরবা মতমদসু নত্রগা মতমগী ঈশৈ মরক্তসু খুনুং ঈশৈ হায়বসি ইচান্দা চান্নরকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐখোয়গী স্বাইদা শক্লরিবা ফৌসু ঈশৈ অসিগা ককচিং অমদি ইম্ফালদগী খরা লাপথোকখিবা ফমদা শক্লবা ফৌসু ঈশৈগা খজিক খজিক খেন্নবা লৈ। খেন্নরিবা শৈশকশিং অমসুং ময়েকশিং অদু ঙসিদি খুনুং ঈশৈগী পুক্কেদা তিল্লরে, মহাক্কীদা মহয় তম্বা লাক্লিবা (মখা লমায় ২দা)

# ভারত বন্দনা মফম কয়াদা চাওনা শোকহনখ্রে



ইম্ফাল জুলাই ৯ (ৱায়েল কাতি) ঃ ইন্দিয়াগী শিন্মী ক্রোর ২৫ হেনবনা ঙসি তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা চত্থখিবা ভারত বন্দনা য়াম্না চাওনা শোকহনখ্রে। বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লোইশঙ কয়া অমসু ঙসিগী খোঙজং অসিনা মরম ওইদুনা মপুং ফানা থবক তৌনখিদ্রে।

ষ্টেট ষ্টেটকী লৈরিবা শিন্মীগী য়ুনিয়নশিংনসু বন্দ অসিবু মপুং ফানা শৌগৎতুনা লৈঙাক্না চত্থরিবা শিন্মী, লৌমীগী মায়োক্তা চত্থরিবা থবকশিং য়াওনা কোর্পোরেটকী হেন্না খনবা পোলিসি কয়া অমা শৌগৎপগী মওংদা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসি লেপ্পবগীদমক খোঙজং চঙশিন্নখি।

মণিপুরগী ওইনসু খোঙজং অসিবু শৌগৎপা ওইনা ওল মণিপুর বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিংনা এম জি এভিন্যুদা শিন্থা লেপতুনা খোঙজং চঙশিন্নখি। অমরোমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিস ফেদরেসন্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল মমাংদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং অসিবু শৌগৎখি। খোঙজং অদুদা লেবর কোদ মরি রিপিল তৌগদবনি। ওল্ড পেন্সন স্কিম অমুক হন্না চৎনহগদবনি। শিন্মীশিংগী ওইবা কম্প্রেহেন্সিভ হেল্ঠ ইন্সুরেন্স স্কিম শেমদুনা হোস্পিটাল খুদিংমক্তা কন্ট্রেকচুয়েল ইমপ্লোয়ি য়াওনা শিন্মী খুদিংমক্কী লায়েং চত্থবদা সেল দিদ চঙহন্দনা তৌবা য়াহন্নবগী ৱাফম, এন পি এস / য়ু পি এস স্ক্রেপ তৌগদবনি হায়বনচিংবা দিমান্দশিং য়াওরি।

